ꯍꯨꯢꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯢ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯵, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯲꯹ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, ফেব্রুৱারী ২৫, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৩২৯শুবা মশীং

# মীখলনা মোংফম ওইহনগনু

## ষ্ট্রিক্ট ভিজিল তঙাইফদে

ফেব্রুৱারী ২৮ অমসুং মার্চ ৫দা তাঙ্কক অনী থোক্না পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখলসি ‘ফ্রী এন্দ ফ্যের’ ওইহনগনি, স্মুঠলি পাঙথোকপা মীখল অমা ওইহনগনি অমসুং ওইহনসি হায়বসি পূম্নমক্ন া হায়। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না হায়। চীফ ইলেক্টোরল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরগী মায়কৈদগীসু হায়। দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর (দি ঈ ও) শিংনসু তোয়না হায়। মীখল থেংনরিবা পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক্নসু হায়দুনা লাকই। অদুবু ৱাফমসি পূম্নমকসিনা হায়দুনা লাক্লবসু থোকহন্নীংদবনি হায়বা, থোকখ্রগনা মখা তানা থোকহল্লগুমসি হায়বা থৌদোক্তি কোকথোং অমা থোকখ্রে। নুপী অঙাং য়াওনা অশোক-অপন কয়া য়াওখ্রে। মসিদগী হেন্দোরক্তুনা হৈরোক অমসুং শামুরৌগী মীওই অহুম অশি লমদম পাংখ্রে। মীখলগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদগী মোংফম অহুম শুখ্রে। অদুবু হৌজিক ভোট থাদনগদবা মতম নকশিল্লক্লবা মতমসি ফাওবদা হংদবা য়াদ্রিবা, হায়বদি থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং অমত্তা থোরক্লরোই হায়বগী পূক্নিং লুমদ্রিবনা মখা তানা থোরক্লরোইদ্রা হায়বসিমদি পাউখুম ফংদ্রিবা ৱাহং ওইগদৌরি। মরম অসিনা হৌজিক কৈদৌবা তাবগে? চিন্দা অমসুং চেদা, ওর্দরদা ফ্রী এন্দ ফ্যের ইলেক্সন ওইহনসি, স্মুঠলি পাঙথোকপা মীখল ওইহনসি হায়বনদি য়াদে। লৌখৎতে, করিমত্তা তৌদ্রে হায়ববুদি নত্তে। তৌই, লৌখৎলি, মখা তানসু লৌখৎখিনি। অদুবু লৌখৎ-লৌখৎনা মোংফম অহুম শুখ্রে। অশোক অপন য়াওনবশিংনা লায়েংশঙ থনবগী ফীভম লাক্লে। এসেমব্লি সেগমেন্ট খরদদি অকাই-অতোয় য়াওদবা য়ূম-কৈ লৈশিল্লক্ত্রে। অয়ূক-নুংথিলদনা খরা লৎলবসু নুমিৎ হেক তাখিবগা নোংমৈ মখোল তাদবা মফম য়াওশিল্লক্ত্রে। ওইরিবা ফীভমসিনদি মীখল নুমিৎ য়াওনা মসিগী মমাঙদা অমসুং ভোট থাদনরবা মতুংদসু থোকহন্নীংদবনি হায়রিবা/হায়গদৌরিবা থৌদোকশিংসি মখা তানা থোরকখিনি হায়বনি।

অদুবু লাক্লিবা ৱাফমদি অসিগুম্বা থৌদোকশিংসি থোরক্কে হায়রবসু থোকচরসনু, থোক্লকউ হায়বা নত্তে। থোকখিবা য়াবা থোকখ্রে, অকাই অতোই অমসুং মীশি-মীনা ফাওবা য়াওখ্রে অদুনা থোকহল্লগুমসি হায়বনি। মখা শাংথনা থোরক্লগদি মীখলসি মোংফম ওইরক্লনি অমসুং ওন্থোরক্লনি হায়বনি। মসি ওইরগদি ইলেক্সনগী শীজিন্নগদবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং মরাং কায়না লৈরে। ষ্টেটকী লৈজবশিংগী মথক্তা মপান্দগী লাকপশিংসু হাপচিল্লে। ইলেক্সনগী মাঙওইননা এদভান্স এরিয়া দোমিনেসনগী দিপ্লোয়মেন্ট হৌরে। হৌজিক ভোট থাদনগদবা নুমিৎতা ঙাক শেনগদবা আর্মদ অমসুং অন-আর্মদ পর্সনেলশিংসু এয়রমার্ক তৌরে। দিসপর্সেলগী থবক হৌরনি। অদুবু থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরক্তুনবগীদি হান্নদগী লৌখৎলক্লিবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মথক্তা হেন্না কনশিনবা সিক্যুরিটিগী মিজর লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরি হায়বনি। ইলেক্সন নুমিৎ ৱাৎলিঙৈদগী ফাওবা থোকচিনখ্রবা থৌদোকশিংসি হৌজিক ভোট থাদনগদবা নুমিৎ য়ৌশিল্লকপগা ইরোয়ননা হেন্না কুঙনা থোকচিল্লকপা য়ারি। পূম্নমক অমত্তা থোরক্তুবদি ওইরসনু। ঈংনা-চিক্না পাঙথোকপা, ভোটরশিংনা অপাম্বা মীরেপ্তা ভোট পীজবা ঙম্বদি ওইরসনু। অদুবু হৌজিক ফাওবদা থোরক্লিবশিং অসিনদি থোরক্লরোই হায়বগী পূক্নিং লূমদ্রি হায়বনি। মরম অসিনা অহেনবা মেন পৱার হাপচিন্দুনা ভলনরেবল ওই খনবা অমসুং ওইবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিং য়াওনা মফম অয়াম্বদা ষ্ট্রিক্ট ভিজিল তৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নীংই। ইশম-শম্বদা থোকখ্রিবা থৌদোকশিংদু অমুক হন্না থোকহল্লগুমসি হায়বনি। মসি ওইরকপা ঙম্নবগীদমক মীখলগী অরাংফম ওইবদা য়াওরিবা ঈ সী আই, সী ঈ ও (মণিপুর), দি এল ওশিং খক্তা নত্তনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং মীখলগা মরী লৈনরিবশিংনা খূৎশম্মনা হোৎনমিন্নগদবনি। পোলিটিকেল পার্টিশিং, ইন্দিপেন্দেন্ট য়াওনা কেন্দিদেটশিংনসু পীফম থোকপা কোওপরেসনশিং পীগদবনি। অদুগা হায়বা ঙাঙবদা লৌদবা, লমহেন-তুহেনবশিংনা লোগী মতুংইন্না লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎকদবনি। চৈবুল পীবা য়াবশিংদনা চৈবুল পীজগদবনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৬

১) *‘‘পত্থম্মাগী হামেঙ’’* হায়বা মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অদুগী অইবা কনানো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

২) **‘‘মফম খঙদনা/মাঙখ্রবা/ঐগী ইমি,/হায়য়ু/কনানা করম্না মূথৎখিবনো নঙবু/ঐগী লৈমায়দগী।’’** শৈরেং মতেক অসি শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেংদগী লৌথোকপনি। কবি অসি কনানো, মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৩) মপান মণিপুরগী অইবা অমনা ইবা লমকোয় ৱারীগী লাইরিকনি **‘‘মালেমদা তোমথীল ঙাল্লিবী বাহরেন’’** হায়বসি। অইবসি কনানো?

৪) ১৯৬৭ ইংদা অহানবা ফোঙখিবা লাইরিকনি **‘‘নোংদম’’** হায়বসি। লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) *‘‘মশাবী লাইরেন ঙাংঙোই য়োইমোংবনা মশানৌদা পাওমেলঙামএ। ইশানৌ য়োইহৈতোন তাওথিংমাংও, নহান নোং ইপল পলেম ইমা নোংমোইনু অহোংবীনা তুশারমপপু লৈএ। শানৌ ইচিল ইনাওতি মোংবা অমরক তুতেংহৌসে।’’* ৱাহৈ পরেং খরসি কদায়দগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মতম অমগী মহৈ খূত্তমদু ঙসিসু নীংশিংলি

মতম মতমগী ৱাফম
সেঞ্জম দেবেন

তুরেলগী ঈচেলনা থেক্না-খোইনা চেন্থবগুম মতম মাগী ঈচেলসু থেক্না-খোইনা চেন্থরি। চেন্থরিবা মতমগী ঈচেলসিদা ইকুই-কুইদনা চৎনরম্বা চৎন-কাঙলোন কয়ামরুম, কাউশীং ওইনা তাওথখিদুনা ঙম্নমক মাঙনখ্রি। মমি ফাওবা তাহৌদ্রি। অদুম ওইনমক, নীংশিংবগী তোর্ব্বানদদি তাওথখ্রবা কাউশীংশিংদুগী মমি হৌজিক ফাওবদসু শুপ্নগী মমি-শামিদং ওইরসু উবা ফংবদি খরা অদুম্মক য়াওনরি। অমরোমদা, থিজিল্লোই কাঙবুশিংগীদমক য়েংলবদি শুপ্নগী মমি-শামিদং ওইরসু উবা ফংবা য়াওনরিসি লাইবক য়াম্না ফরবনি। অদুগুম্না, মমি-শামিদু ফাওবা উবা ফংলকত্রবদি মতমগী ঈচেলনা তাওথখ্রবা কাউশীংশিংদুগী মতম অমগী ৱারী-ৱাখোঙশিংদু কনানা নীংশিংবীগদৌরি? অদুগুম্বা মতমগী ঈচেলদুনা কাউশীং ওইনা তাওথখ্রবা মতম অমগী চৎন-কাঙলোনশিংদুগী মনুংদা ঙসিদগী চহী ৪০/৫০ রোমগী মমাঙ ফাওবদা লমদমসিদা কন্না পাঙথোক্লরম্বা ফাইরেল থাগী মঙানি পানবা, ফাইরেল পঞ্চমি নুমিৎকী ঈরাৎ-থৌনি থৌরমসিসু অমনি। মতমদুগী ৱারীনি। তশেংনমক্কীদি থৌরমসি হিন্দুশিংগী লাইরেম্বী সরস্বতি হায়বা মহৈগী লাইরেম্বীসিগী মফমদা কৎলগা খুরুম্নরম্বনি। হৌজিক্কী মতমসিগী লোন্দাদা কম্মন ওইনা হায়রগনা - ‘‘মহৈগী লাইরেম্বীগী ঈরাৎ-থৌনি থৌরম’ হায়বদুনি। অমবু ওইরসু অমবু ওইরসু মহৈ তম্বা হায়বা থৌদৌসিমদি ঙসিগী মালেমসিগী মফম খুদিংমক্তা নোংম-নোংমগী হেঙ্গৎলক্লিবা থৌদৌ অমা ওইবনিনা, মতমসিগী মহৈরোয়শিংনা মহৈগী লাইরেম্বীবু চহী অমদা নোংমখক্তং ওইরসু ঈরাৎ-থৌনিবগী থৌরম অমদি পাঙথোক্লবা ফগদ্রা খল্লি। মালেম পূম্বগী ওইনসু মহৈ তম্বা হায়বা থৌদৌসি শোয়দনা তৌদবা য়াদ্রবা অমসুং মীওইবগী চাওখৎলোনগীদমক খ্বাইদগী হেন্না কান্নরবা থৌদৌ অমনি। অদুবু ঙসিগী খুন্নাইসিদি চাওখৎলে, চাওখৎলকপগী মতুংইন্না অহোংবা কয়ামরুমসু পীক থন্না লাকখ্রে। মহৈকোল অমদা লাইনীং-লাইশোনগী থৌরমশিং পাঙথোকপদা লাইনীং-লাইশোন, লোন-ধর্ম্ম খেন্নবগী মতুংইন্না পাঙথোকফম খঙনদবসু য়াই। তৌইগুম্বসুং মহৈ তম্ফমশঙশিংদা কম্মন ওইনা পাঙথোকপা য়াবা, মহৈগী লাইরেম্বী হায়বা লাইরেম্বী অমা ঈরাৎ থৌনিবদদি থোইনা কায়রোইদ্রা খল্লি। মরমসিনা থৌরমসিমত্তংদি চহী অমগী মনুংদা নোংমখক্তং কাইথোক্লগা পাঙথোকহন্নীংই। মমাঙঙৈদদি চহী খুদিংগী পাঙথোক্লরল্লিবনি। হৌজিক্তি লেপখ্রে, ইরমদমসিদা মমাঙঙৈগী মতমদা থৌরমসি ফাইরেলগী মঙানি পানবা- ‘ফাইরেল পঞ্চমি’ হায়না খঙনবা নুমিৎসিদা ওইনা পাঙথোক্লরম্মী। অমা-অমগী ৱাফম নত্তনা মতমসিদসু মহৈগী লাইরেম্বীবু ঈরাৎ থৌনিবগী থৌরমসিমত্তংদি মহৈরোয়শিংগীদমক য়েংলগা তঙাইফদনা পাঙথোকহন্নীংই।

ঙসি-ঙসিমকসু লমদমসিদা ফোঙলিবা কেলেন্দরশিংদা, ফাইরেল থাগী মঙানি পানবা নুমিৎসিবু ‘মহৈগী লাইরেম্বী ঈরাৎপা নুমিৎ’ হায়না ইদুনা অদুম্মক হাপ্লি। মতম অমদদি নুমিৎসিদা ইরমদমসিদা লৈরিবা মহৈকোল খুদিংমক্তা মহৈরোয় ময়ামগা লোয়ননা মহৈকোলগী শিন্তাকপশিংদুগা, মহৈগী লাইরেম্বীবু ঈরাৎপগী থৌরম চাউনা-চাউনা পাঙথোক্লরম্মী। নুমিৎসিদা মহৈকোলদুদা মহৈগী লাইরেম্বীগী খুভম অমা নীংথিনা শেম্লম্মী। অদুগা মহৈকোলদুগী মহৈরোয়শিং খুদিংমক্তুনা ঙমজ-ঙমজবা হৈ-লৈশিং পুরক্তুনা মহৈগী লাইরেম্বীগী মফমদা কৎচরগা খুরুমজরম্মী। ঈরাৎ-থৌনি থৌরমদুগী মহৈগী লাইরেম্বী খুরুম্বা লোইশিল্লকপগী তাঞ্জাদা মহৈরোয় ময়ামদু অচা-অথক্লচিংবা অহাউ-অথুমশিং য়েন্থোক্তুনা হরাউ-হরাউ চামিন্নরম্মী। মতমদুদা অদুক নুংঙাইবা অমসুং নুংশিবা মহৈকোলগী অতোপ্পা থৌরম্ম লৈরমগদ্রা? ঙসিসু কাউঙমদে। মতমদুগী ঈরাৎ-থৌনি থৌরমগী মপূং ওইবা থৌরাংশিংদু মহৈকোলদুগী শিন্তাকপশিংনা অয়াম্বা শিনবী-লাঙবীনরম্মী। মতমদুগী থৌদৌশিংদু ঙসিসু নীংশিংলুরগা পূক্নিংসিদা অসুক্কী মতিক নুংশিবা ফাওরক্লি। নুমিৎতুদা মহৈরোয়শিংদুনা পাঙথোকপা ঈশৈ, দ্রামানচিংবা ইন্টরটেন্টমেন্টগী প্রোগ্রামশিংসু থৌরমগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপা ঈশৈ, দ্রামানচিংবগী প্রোগ্রামশিংদুনা অমুক্না হেন্নসু নুমিৎতুগী থৌরমদুবু মপূং ফাহল্লম্মী। মতমদুগী মতমদুসু ওন্থোকপা হায়দুনি। ওন্থোক্না ফরমখ্রে। মীপূম খুদিংমক্তু লাইগী-তীলগী থৌরমশিংদা মপুকচেল শেংনা-শেংনা শরুক য়ানবা ঙাক্তনি। ঐখোয়না খঙবদা, মতমদুগী মহৈকোল (হায় স্কুল অমা) গী ফাইরেল পঞ্চমিগী থৌরমদা দ্রামাদা খ্বাইদগী হেন্না থৱায় য়াওনা শরুক য়াখিবা নুপা অমা ঙসিসু মণিপুরগী শুম্মাং কুম্মৈগী আর্টিষ্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না ফবা সিনিয়র আর্টিষ্ট অমা ওইনা লৈরি। মতমদুগী ফাইরেল পঞ্চমিগী থৌরমশিংদু নীংশিংলুরগা ঙসিদি অসুক্কী মতিক পূক্নিংসি নুংশিবা ফাওরকই। ৱাফমসি মথক্তসু পঞ্জখ্রে। ঐখোয়না মহৈরোয়শিংবু মহৈ হৈহন্নীংলিবনি হায়দুনসু অতৈ হীরম অমত্তদা খক শরুক য়াহন্দনা শুপ্নতগী মহৈদু খক্তমক হৈহন্নবনি হায়দুনা মহৈদদা মায় ওনশিল্লু হায়বসিসু তশেংনা লানগনি। মরক-মরক্তা অমদি চহীগী ওইবা থৌরমশিং ওইনা মহৈরোয়শিংবু ঐখোয়না এক্সত্রা করিক্যুলম এক্টিভিটিশিংদসু শরুক য়াহনবা চুমগনি। ঙসিদি এন সী ঈ আর টিনচিংবগী সিলেবসশিংদসু নীংথিনা মমুৎ তানা শুগায়নসু হাপ্নরক্লি। থৌদৌসিগী মখা পোন্না, এক্সত্রা ওইবা মওংদা মতমসিগী মহৈরোয়শিংবু অসুম্না চহী অমগী মনুংদা শুপ্নগী নোংমখক্তং ওইরসু মহৈগী লাইরেম্বীবু ঈরাৎ থৌনিবগী থৌরমসিমত্তংদি হাপচিনবীবা চুমগদ্রা খল্লি। থৌদৌসিনা মহৈরোয়শিংগী মফমদা মখোয় মহৈ তল্লিবা মীশক অমমমনি হায়বসিসু কাউহন্দবা য়াই। অতোপ্পা মায়কৈ অমরোমদনা থৌরমসি মহৈরোয়শিংগী ব্রেন হেন্না রিফ্রেস তৌহন্নবা তঙাইফদবা থৌরাং অমসু ওইগনি। থৌরমসি পাঙথোকপনা মহৈরোয়শিংদা মহৈদা হেন্না থৱায় য়াওনবগী লম্বী অমসু ওইবা য়াই।

ফাইরেল পঞ্চমিগী ৱাফমসিসু লৈরে। মসিগী মথক্তা মতমসিগী ইনখৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংগী পুন্সিসিনা মতম অমদা ওইনরম্বা মহৈরোয়শিংগী পুন্সিদুদগীদি অসুক্কী মতিক তোঙানখ্রে। চাওখৎলকপগী চাংসু হেঙ্গৎলে, ফিজেৎ-চাকশেৎতা, চাকচা য়ুথক্তা অমসুং মতমসিগী ওইবা চাওখৎলকপগী মতুংইনবা খূৎশু-খূৎলায় কয়ামরুমদা অহোংবগী অহোংবা ঙাক্তা ঙাইখ্রে। মতমসিগী মতুংইন্না চহী নৌরিবা মহৈরোয়শিংনা মহৈশঙশিংদা ফাওবা মোবাইল ফোন পায়দুনা লাকপা মশীং খঙদনা থেংনরে। মতমসিগী ঈচেলদা তাওথরকপা কাউশীং ওইনা মতমসিগী নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিংদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক মখল-মখলশিং য়াম্না লায়না শীজিন্নবা ফংহনবগী খুদোংচাবা কয়ামরুমসু ফংহল্লে। ফীভমসিদা খুন্নাইসিনা চাওখৎলকপগী মতুংইন্না মহৈরোয়শিংগী পুন্সিদা হোংহল্লক্লিবা অহোংবশিংসিগী মরমদা চপ চানা কন্ট্রোল তৌহনবা য়াবা অনৌবা থৌরাংশিং লৌখৎপীবগী মওংসু মতিক মপা চাননা থোইদোক্না পুথোকপা উনদ্রে। ফীভমসিদা হৌজিক্তা ইনখৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংসিবু চপ চানা কন্ট্রোল তৌনবা অমসুং লমজিংবীনবা পাম্বৈশিং পুথোকপা ঙম্নদ্রিবসি, উনদ্রিবসি লাইবক য়াম্না থীবনি। অমবু ওইরবসু, অমবু ওইরবসু মহৈরোয়শিংগী পুন্সিদা থেংনরকপা শীংনরকপা খুদিংমকপুদি মমা-মপাশিং, অহল-লমনশিং ওইরিবা ঐখোয়না কৈদৌঙৈদা খক নেগোসিএসন তৌফম থোক্তে। নমদুনা মওং অমা নৎত্রগা অমনা ঙাকথোক্লবা পাম্বৈশিং পুথোক্লবা হোৎনফম থোকই। হীরম খুদিংমকসি য়েংলুবদা ঐখোয় ইনখৎলক্লিবা মহৈরোয় ইচা-ইশুশিংগী মহৈ-মশীন তম্বগী লম্বীদা হেন্না খুমাঙ চাওশিন্নবগীদমক তোঙানবা চেকশিন থৌরাংশিং খরদি লৌখৎনবা হোৎনমিন্নদবা খক চুম্লোই।

মথক্তা পঞ্জখিবগুম, ঙসিগী মহৈরোয় ইচা-ইশুশিংগী মহৈ-মশীনশিং তম্বদা অপন-অথিংশিং থোক্তনবা অমসুং মহৈ তম্বগী লম্বীরোমদা হেন্না থৱায় য়াওশিন্নবগীদমক তঙাইফদনা পাম্বৈ খরা লৌখৎপা হায়বসিমদি মহৈরোয়শিংগী মমা-মপা অমদি অহল-লমশিং ওইনা ঐখোয়না তৌফম থোকপ্রা খল্লি। ফীভমসিদা মথক্তা থমজখিবা মহৈ তল্লিবা মহৈরোয়শিংগীদমক মহৈরোয়নি হায়বসি কাউথোক্তনবা, মহৈগী লাইরেম্বীবু চহী অমগী মনুংদা নোংমখক্তং ওইরবসু ঈরাৎ থৌনিগী থৌরম অমত্তং ইরমদমসি শিন থুংনা পাঙথোক্লবগী ফিরেপ লৌমিন্নবা চুমব্রা হায়বা ৱাফমসিনি থমজরিবসি। ইরমদমসিগী মহৈরোয়শিংগীদমক মোরেল হেন্না ৱাংখৎনবা অমসুং হেন্না মহৈ-মশীনশিংদা মপূক্নিং চঙশিন্নবা অতৈ পাম্বৈশিং লৈরবসু মমা-মপাশিং অমদি অহল-লমনশিং ওইরিবা ঐখোয় খুদিংমক্না অমগা অমগা স্যের তৌমিন্নবা হায়বসিসু খ্বাইদগী ফবা থৌদৌ অমা ওইগনি হায়বসি চেৎনা থাজজে। মহৈরোয়শিংগী য়াইফনবগীদমক ঐখোয় খনবা য়াবা পূম্নমক খনমিন্নসি অমসুং পাঙথোকপা য়াবা থৌরম পূম্নমকসু পাঙথোকমিন্নসি। ইরমদমসিগী মহৈরোয়শিং ঙসিগী খুন্নাইসিদা চাংদম্নিংঙাই লৈতনা মনীং তম্না অমসুং ৱাখল লৈতানা মহৈ তমহনসি। ●

# দ্রিঙ্কৱেল কম্পেনিগী ৱারী

- আনন্দ লাইশ্রম -




বাংলাদেশ হায়রিবা লমদম অসিদা মীয়াম্না শীজিন্নবা য়াবা ঈশিং অফবা ফংহনবগী অৱাবা অমা য়াম্না চাউনা লৈ।

বাংলাদেশ মালেমগী খ্বাইদগী মী কূংনা তাবা লম অমা ওইরি। বাংলাদেশতা লৈরিবা তুরেল অমসুং পাৎ খরা অদুগী ঈশিং অসি মীশিং অয়াম্বনা শীজিন্নে।

মী কূংনা তাবগা লোয়ননা বাংলাদেশকী তুরেল অমসুং পাৎ ময়ামগী ঈশিং অসি ৱাটর পোল্ল্যুসন তৌদুনা য়াম্না মোৎপগী ফীভম অমদা লৈ। ঈশিং অমোৎপা শীজিন্নবদগী অনাবা কয়া অমা শন্দোরকই।

অদুগা লোয়ননা লৈবাক মনুংদগী চিংখৎপা ঈশিংদা অর্সেনিক হায়রিবা কেমিকেল য়াওরম্বদগী মীওই কয়া শিবা-নাবা য়াওনৈ। বাংলাদেশতা মীওই ক্রোর ৩.৫-৭.৭না অর্সেনিক য়াওবা ঈশিং শীজিন্নবগী অৱাবা কয়া থেংনৈ।

মসিগী অৱাবা অসি থেংননবগীদমক ডা. অরুপ সেনগুপ্তা কৌবা মীশক অসিনা ঈশিংদগী অর্সেনিক লৌথোক্লবা ফিল্টর অনৌবা অমা পুথোকখি। মদু ওইবা তারবসু মীয়ামদা ফিল্টর অসি য়ৌহনবগী অৱাবা অমা লৈরম্মী।

ঈশিংদগী অর্সেনিক লৌথোকপগী ফিল্টর লৈবা তারবসু মীয়াম্না শীজিন্নহন্নবা বাংলাদেশকী মফম অয়াম্বদা ফিল্টর অসি শন্দোকপা মথৌ য়াম্না তারম্মী। অদুদা নত্তনা ফিল্টর অসি শীজিন্নবদা লায়হনবা অদুগা মমলসু হন্থবা মরু ওইরম্মী।

মসিগী মতাংসিদা মিনহাজ চৌধুরি কৌবা মীশক অমনা ডা. অরুপ সেনগুপ্তগা পুল্লগা দ্রিঙ্কৱেল হায়রিবা কম্পেনি অসি হৌদোকখি।

দ্রিঙ্কৱেল কম্পেনিসিনা লৌশিং অমা পুথোকখি। অহানবদা দ্রিঙ্কৱেল কম্পেনিনা বাংলাদেশকী মফম মফমদা লৈবা ওন্ত্রপ্রেন্যুওর ময়ামদা ঈশিংগী ফিল্টর অসি য়োল্লি। ফিল্টর লৈরবগী মতুংদা ওন্ত্রপ্রেন্যুওর ময়ামদুনা ‘ৱাটর এ টি এম’ অমা শাই। ৱাটর এ টি এম অসি ঈশিং য়োনবা দুকান অমনি হায়না ঐখোয়না খনবা য়াই। ৱাটর এ টি এম অসিদা ফিল্টরদু পানশিল্লগা ঈশিংদগী অর্সেনিক অমসুং অমসুং অতোপ্পা কেমিকেল ফত্তবা কয়া লৌথোক্লগা অফবা ঈশিং ফংহল্লি। মীয়াম্না ৱাটর এ টি এমদা চৎলগা ঈশিং অফবা লৈনৈ।

ৱাটর এ টি এম অসি ঐখোয় মীয়াম্না খঙনরিবা বেঙ্ককী এ টি এমগা য়াম্না মান্নৈ, খেন্নরিবা হায়ববু বেঙ্ককী এ টি এমনা শেল চিংবনি অদুগা ৱাটর এ টি এমনা ঈশিং চিংবনি। অদুগীসু মথক্তা দ্রিঙ্কৱেল কম্পেনিনা ৱাটর এ টি এম ময়ামদা শীজিন্নরিবা ফিল্টর অদু য়েংশিন্নবা অমসুং য়াদবা য়াওরকপদা শেম্নবা মখোয়গী টেক্নিসিয়ন তোয়না তোয়না থায়। মসিগী কান্নবা লৌবগীদমক ওন্ত্রপ্রেন্যুওর ময়াম্না দ্রিঙ্কৱেলদা থা থাগী ফী মচা অমা পী।

দ্রিঙ্কৱেলগী সিষ্টম অসিনা বাংলাদেশকী মীয়ামদা অফবা ঈশিংগী কান্নবা ফংহল্লি। ওন্ত্রপ্রেন্যুওর ময়ামদসু অনৌবা শেন্থোক লম্বী অমা পীবি। অদুগা কম্পেনিনসু প্রোফিট ফংবগা লোয়ননা মপূং ফানা বিজিনেস চত্থবা ঙম্মী।

ঙসিদি দ্রিঙ্কৱেলনা বাংলাদেশকী ইমুং লিশীং লিশীংদা অফবা ঈশিং ফংহল্লি। বাংলাদেশতা অমোৎপা ঈশিং অমসুং অর্সেনিক য়াওবগী অচৌবা অৱাবা অমা লৈরিবা অসি থেংনবদা দ্রিঙ্কৱেল অসিনা চাওরবা থৌদাং অমা লৌই। ●